থন্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# লোইবা নাইদবা ৱারী অমা

‘মনি-মমৌ’ হায়না মিংথোনবা, জি সী তোংব্রাগী দ্রামাদু য়াম্না মমিং চৎখি হায়। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদই তারকপদুনা, মথোৎ-কারক, পাখঙ ফারকপা মতমদুফাও মমিং অদুম চৎলম্মী। ঙসি নৌনা শান্নদুনা মীয়ামদা উৎলকপদসু মীবু অদুম নুংঙাইহল্লি। মরম? অইবনা লৌখৎলল্লিবা ইস্যুদু ঙসিগী মতমসিদসু রিলেভেন্স লৈরম্বদুননি হায়বদি, মতমসিগসু চানরম্বননি। করিদইনো খঙদে ঙসি, দ্রামা অদু খঙনীং নীংশিংলকই। মরম চাদনা নীংশিংলকপবুদি নত্তে। মরম অমা লৈরিবনি। অদুননি ঐহাক্না ঙসিগী পাউদম ওইনা ইথোক্লগে লেপ্পুরিবা।

মনি-মমৌ হায়বদি মনেম-মমৌ হায়বনি। করিদগী কমদৌনা মনি-মমৌ হায়নখিবনো - মদুমদি ঐ খঙদে তশেংনা। হায়বা নুংঙাইনবা ৱাহে-ৱাপা থিবদা থোকখিবা খোন্থোক ওইরমগনি। যূম অমগী মৌ ওইনা অতোপ্পা যূম্নাক-শাগৈ অমদগী নুপী অমনা ইমুংদুদা লৈররবা হায়বসি অহানবা নুমিৎ খরদি হৌরকফম-হৈনবী মান্নরক্তবগী এদজষ্ট তৌনবা, চুশিন্ননবা হোৎনবদা মতম খরা চঙব’দুবুদি হৌনশানি। ইস্যু নত্তে। ইস্যু ওইরিবদি মনেম ওইরিবী নুপীদুগা, মৌ ওইরিবী নুপীদুগা অনীসি এদজষ্ট তৌনবা ঙমদবসিনি। এদজষ্টমেন্টসি ঙমদবা - ইমুং অমা অনীখক্কী ৱা নত্তে। মকা ফোংনদবগী ৱানি, ইমুং চান্মগী মনুংদা মরিফুতরানিপান/মাপনদি মনেমগা মমৌগা য়ানদে। মহী লাঙদবা ইমুং লৈতে। মণিপুরখক্কী ৱা নত্তে, ইন্দিয়াগী মফম পুম্নমক্তা ‘সাস-বহু’ নুংশিনদবগী ৱারী থেংনৈ, মৈ থাদুনা হাত্তোক্লবগী থৌদোক ফাওবা য়াওরকই। মৈ থাদোক্লবগী থৌদোক্তুমক থোক্ত্র’সু, মৈ হৌরবা ৱাথোক কয়া থোকপগী রিপোর্ট’তুমদি তাই, থেংনৈ লমদমসিদসু। ইন্দিয়াখক্তদা নত্তে, মালেমগী মফম অতৈ, জোইন্ট ফেমিলি লিংবা মফমশিংদসু মান্নবা ৱাথোক থোকপগী ৱারী তাই। মরমসিদগীনি - অমেরিকাগুম্বা চাওখৎলবা মফমশিংদা অখন্নবা ফেমিলি-লো শেম্লকখিবা ... ‘লুহোংবা য়াবা চহী মতাং য়ৌদুনা লুহোংলবা মতৈ-মনাও (নুপা-নুপী) অনীদুদি তোখায়বা যূম অমদা তোঙান্না লৈগদবনি, মমা-মপাগী মখা পোন্না লৈবা য়াদে’ ...। যূম পানখ্রবা (লুহোংখ্রবা) মচা-নুপা নৎত্রগা নুপীনা মমা-মপাগী যূমদা শাইদাংদুনা লৈবা তারবা নৎত্রগনা মমা-মপা ওইবশিংনা মচা/মমৌগী যূমদা লৈরুরবা ... শাইদাংফম লৌরিবা মীশক্তুনা, যূম্বু ওইরিবা (মমা/মপা নৎত্রগা মচা) দুদা য়ানবা শেনফম অমা (ভারা ওইনা) পীগদবনি হায়বা আইন (লো) লৈ তাবদা ঐহাক ঙকপনা থেংখি অহানবদা। খন্থরুরগা খঙলকই - শা-ঙা-উচেক-ৱায়াগুম মরন্নাই-মপাঙ্গলনা মচিঞ্জাক থিবা হৈত্রিফাওবা মমানা য়োকপী-থাকপীরম্বগী নেচরেল-লো অদু তুংইনবনি, মশাদা য়াওজবা মতিক-মঙম ফুদোকচনবগী থৌনা অদু হাপ্পনি, নুংশি-হৈতবা/চাওখত্তবা মতৌ উৎথোকপা নত্তে। ময়ূম অমা লিংনবা মথৌদাং অদু পাঙবদা লো’না চৈঙাক ওইহনবনি। ঐখোয়’ লৈবাকসিদসু অইবা আইন লৈত্রিঙৈ, থৌদাং অদু পাঙনবা চৎনবী অমা শেল্লম্মী। মদুদি - নুপী অমনা লুহোংলকপদা, অনৌবা যূম অদুদা অনৌবা যূম অমা লিংবদা, তঙাইফদনা চঙবা পোৎলম খুদিংমক, মখল শুনা পীবগী (অওঙ-অউন তম্বগী) চৎনবী। চাকখুম অমা লিংদুনা নুমিৎ খরনিগী চরা নোংখন্ননবগী চেঙ-চাক, মনা-মশিং অদু ফাওবা হাপ্পগী চৎনবী শেল্লম্মী। তরেৎ-শেঞ্জা খরসু ‘দান’ ওইনা পীনরম্মী। ফিশা-লোনশা তৌদুনা শিনফম অমা পাঙনবা পোৎলম ফাওবা হাপ্পরম্মী। চৎনবী অদু কাঙলোন চুম্না ঙাক্তুনা মখা তানা চৎনরল্লবা - মনেমগা মমৌগা নুংশিনদবা, খৎন-চৈনা তোয়বগী থৌওং অসি লমদমসিদদি থোক্লমদববু য়াবনি। মরমদি, অসিগুম্বা থৌদোক-ৱাথোকশিংগী হৌরকফমসি - নৌনা লাকপী যূমগী মৌ অদুনা ইমুংদুদা পাঙবা শিল্লম-শিন্থা-ৱাঙাঙ-শাঙাঙ-হৈনবীনচিংবা ইচম চম্বা মচৎসিদা মনেম ওইবী, হান্নগী যূম্লুরেন্বী অদুনা য়ানীংবা/য়ানীংদবা (এসেপ্তেবিলিটি) অদুদগী ওইগল্লি। মনেমদুগী অপাম/পামদা অদু খঙনা মৌ অনৌবী অদুনা চৎপা ঙল্লবা নৎত্রগা মৌদুগী মশাগী মচৎ অদুগা চান্নরল্লবা - মনি-মমৌ অনীদু মমা-মচাগুম নুংশিনগনি। মীঙোন্দা ৱারী শারমগনি - ‘ইমৌ নত্তে ইচানি’। অদু নত্তদুনা, অনীগী অপান্থা অমদি হৈনবী তায়োন্নরল্লবা, হায়গনি ‘মৌ নত্তে লমশানি’। মশামক্লা কোয়থি থিদুনা খোয়দানা লৌরুবী মৌদুসু য়েক্লবা ইমুং অমদগী লাকপগুম শিবা ফাওবা কৌন-ঙাঙনখিদবা, মখূৎ চাখিদবা, মরীন খাবী মনেমবোকসু লৈতবা নত্তে।

অসিগুম্বা, মনি-মমৌ এদজষ্ট তৌবা হৈতদুনা নৎত্রগা য়াদদুনা ইমুং মহী লাঙবা যূম অমগী মনুংদদি লৈমিন্নরগা হন্না ফাওবা য়েংনদবা, হূৎ-ফেৎ তৌনবা মনি-মমৌগী ৱারীসি হৌজিক্তি ইমুং খুদিং লৈবগুম্না তৌরক্লে। অচৌবা সোসল প্রোব্লেম অমা ওইরক্লে। কোজেল ফেক্টর, ৱাথোকসিগী হৌরকফম - মরম অমখক্লা ওইদরে। ইমুং অমগা অমগগী মরক্তা য়ানদবসিগী মরম তোঙাল্লে। অদুবু, মাঙলমচৎকী মতমদগী হৌরগা ঙসি ফাওবগী ৱাথোকশিংসি য়েংলুরগা, মনেম-মমৌ নুংশিনদনবা খনবগী মরম করিনো? পূমসুপ শুপ্পা ৱাহে পরেং অমখক্লা ফোঙদোকপা য়াই। মদুদি - ‘ঙসিগী মনেমবোক ওইবী অহলশিংনা মচাগী মমৌ অদুবু, মচানুপী অমগুম খনবা ঙমদবা ... মৌ ওইনা থুংলরিবী অদুনসু মনেমবোক অদুবু মমামক্লি খনবা ঙমদবা’...। মনেম ওইবীশিংনা, মহাক্কী মচানুপী, অতোপ্পা শাগৈগী মৌ ওইখ্রবীদুগীদমক খঞ্জবা অমদি ৱাজরিবদু, মনাক্তা লৈররবী মমৌদুগীদমক্তি খন’ঙমদে। মতৌ অদুগুম, মৌদুনসু মৱাদুগী মমাদু মমামক্লি খন’ঙমদে, মপামদা চৎলগা মমাদা ৱাকৎপদুনা মপূক্লিং ঈংজে।

ঙসি, পাউদম অসি ইজরুবই মরম অমত্তং ৱাহং ওইনা ফোঙদোকচগে। মমৌদুনা নুংশিজবা মথ্বায়মক্লি খঞ্জবা নুপাদুসু, মমাদুনা হাকনজরিবা, মথ্বায়দই হেন্না নুংশিজরিবা মচাদুসু - মীশক্তুদি অমত্তনি। মীশক অমত্তবু চপ মান্ননা নুংশিজরিবা নুপী অনীদুনা করিগী অসুক নুংশিনদ্রিবা? অনৌবা নত্তে ৱাফমসি, কয়ারক হন্না নৈনখ্রবা, ইনখ্রবা ইস্যুনি। অদুবু লুহোং-পান্থা লাকপসিদা অমুক নীংশিংলুবনি।

লৌশিং পুক্কে

# হকচাং শাজেল কন্না তৌরুরগা হকচাং নীক্লিবা করিগীনো? -২

কেফিনগী চাং ৱাংনা শীজিন্নবা: মীওই খরদি হকচাং শাজেল তৌরমদাইদা কোফি, স্পোর্ট ড্রিঙ্ক, নৎত্রগা প্রি-ৱার্কআউট সপ্লিমেন্টশিং থকপা পাম্নবা য়াওই। হায়রিবা থক্লবা মহী-মনায়শিং অসিদা কেফিন য়াওই, মসিনা হকচাং শাজেল তৌরিঙৈ মনুং অদুদা পাঙ্গল পীবদা মতেং পাংই। অদুবু মসি কা হেন্না থকচিল্লগদি হকচাং নীক্লকপা য়াই। অসুম্না নীকপা অসি হকচাং শাজেল তৌবগী অৱাবা অদুনা মরম ওইরগা হেঞ্জিলহনবা য়াই।

কেফিননা মরম ওইরগা নীকপা অসি অনম্বনা খোঙ-খুৎতা তৌগল্লি, অদুবু হকচাংগী অতোপ্পা কয়াৎশিংসু য়াওবা য়াই। কেফিনগী চাং হেন্না শীজিন্নবনা মীহুল য়াঙনা চোংবা, কোক ঙাওবা, তূম্বা য়াদবা, ওনীংবা, দাইরিয়া, অমদি ব্লদ প্রেসর ৱাংবনচিংবসু থোকহনবা য়াই।

হকচাং শাজেল কন্না তৌরুবা মতুংদা হকচাং নীকপগী চাং হন্থনবগীদমক তৌবা য়াবশিং মখাদা পীরি।

পোত্থাবা-- মসল নীকপগী থৌওং অসি অয়াম্বনা মসল হেন্না শীজিন্নবদগী ওইগল্লি। হকচাং নীকপা ফাওরক্লবদি মখা তানা হকচাং শাজেল তৌথবগী মহুত্তা মসলশিংবু পোত্থহনগদবনি।



মচী ওইবা চীঞ্জাক চাশিনবা-- হকচাং শাজেল তৌবা লোইরবা মতুংদা মচী ওইবা চীঞ্জাক চাশীন্দুনা মসলশিংবু অমুক নৌহৌননা মথৌ হাপকদবনি। হকচাং শাজেল তৌবা মতমদা কার্বোহাইড্রেট য়াওহনগদবনি, মসলশিংবু রিপ্যের তৌনবগীদমক প্রোটিন য়াওহনগদবনি।

ঈশিং থকপা-- হকচাংগী লৈফম থোকপা ইলেক্ট্রোলাইট অমদি ঈশিংগী চাং মেনখৎনবগীদমক য়ারিমখৈ থুনা মহী-মনাই থকচিনগদবনি।

ষ্ট্রেটচ তৌবা– হকচাং শাজেল তৌরুবা মতুংদা ষ্ট্রেটচিং তৌবনা মসলশিং কোমথোকহনবা অমদি চীকপা-নাবগী চাংসু হন্থহনবদা মতেং পাংই।

হকচাং শাজেল তৌরুরগা হকচাং নীকপগী থৌওং থোক্লক্কদবদগী ঙাকথোক্লবগীদমক তৌবা য়াবশিংদি:

হকচাং শাজেল তৌবগী চাং তপ্পা তপ্পা হেনগৎহনবা– হকচাং শাজেল তৌবগী মতম নৎত্রগা কনবা-তপ্পগী চাং অদু খজিক খজিক তপ্পা তপ্পা হেনগৎহনগদবনি। অসুম তৌবনা হকচাং নীকপা নৎত্রগা অশোক-অপন থোক্কদবদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংবা য়াই।

হকচাং শাজেল তৌদ্রিঙৈদা দাইট চাবা– হকচাং শাজেল তৌদ্রিঙৈ মমাঙদা হকচাংবু ফ্যুল মতীক চানা পীগদবনি। হকচাং শাজেল তৌদ্রিঙৈ পুঙ ২ দগীনা ৩ ফাওবগী মমাঙদা চাহৌগদবনি।

কেফিন শীজিন্নবগী চাং হন্থবা নৎত্রগা থাদোকপা– কেফিনদা সেন্সিটিব ওইবা মীওই ওইরগদি হকচাং শাজেল তৌরমদাইদা কেফিন শীজিন্নবগী চাং হন্থগদবনি নৎত্রগা থাদোক্কদবনি।

হকচাং শাগৎহনবা অমদি ইংথহনবা– মসলশিংগী মুভন্টেকীদমক হকচাং শাজেল তৌদ্রিঙৈদা হকচাং শাগৎহনগদবনি। লোইরবা মতুংদনা হকচাং চোকথবা, চীকপা-নাবশিং অদুদগী রিকোভর তৌনবগীদমক ইংথহনগদবনি।

হকচাং শাজেল লোইরগা চাগদবা চীঞ্জাকশিং অদু হান্না মাঙজৌননা শেম-শারগা থল্লম্বা– চাগদবা অচা-অথকশিং অদু হান্না মাঙজৌননা শেমদোক্লগা থনল্লগদি হকচাং শাজেল তৌবা হেক লোইবগা য়াম্না থুনা মসলশিংবু রিফ্যুল তৌবা ঙমগনি।

হকচাং শাজেল তৌরমদাই, তৌরিঙৈ অমদি লোইরবা মতুংদা মহী-মনায় থকপা– নুমিৎ চুপ্পা মহী-মনাই থকপনা দিহাইদ্রেসনগী রিস্ক হন্থহনবদা মতেং পাংই। অশাবা মতমদা মপান্দা হকচাং শাজেল তৌরগদি নৎত্রগা অকনবা মওংদা হকচাং শাজেল তৌরগদি মহী-মনায় থকপগী চাং হেনগৎহনগদবনি।

অনম্বা মতমদা হকচাং শাজেল তৌরুবা মতুংদা হকচাং নীকপগী থৌওং অসি খুদোংথীনিংঙাই ওইগন্দে। অদুবু মতম শাংনা, লেপ্তুনা নীক্লগা লৈরবা; নীংশা হোনবা ৱারবা; কোক ঙাওরবা; ওরবা; ৱান্থরবা; সিজর তৌরবা অদু ওইরগদি অনা লায়েংগী মতেং লৌগদবনি।

## খোরিরোলগী মনা ফংলগদবশিংগী মিং লাউথোকখ্রে

ককচীং, দিসেম্বর ০৮ (ঐচএনএস): সাহিত্য সেবা সম্মিটি, ককচীংনা পীবা খোরিরোলগী মনা ফংলগদবশিংগী মমীং ঙসি লাউথোকখ্রে।

ঙসি ককচীংদা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উনবা অমদা সাহিত্য সেবা সম্মিটি, ককচীংগী প্রসিদেন্ট কেংবা য়েংখোমনা মনা ফংলগদবশিংগী মীং লাউথোকখি। সম্মিটি অসিনা চহী অনী/অনী খুদিংগী সাহিত্যগী লম্দা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা অইবা/অইবীশিংদা পীবা মনা ‘চন্দ্রশখি লাইশ্রম গোল্ড মেদল ইন লিটরেচর’ দা ডা. জামিনি, চঙাঙ্গৈ উচেক্কোন, দিবয়া ভারতি আশ্রম, ইম্ফালদা পীরগনি। য়াম্বেম মনি সাহিত্য মনা ‘মেরি ক্বেরি’ লাইরিক্কী অইবা ডা. নোংমাইথেম রাজমুহোন, ককচীং তুরেল ৱাংমা (হৌজিক হৌজিক্ল। লংথবাল কুঞ্জ অৱাং লৈকায়, কাঞ্চিপুর) দা লৈবদা পীরগনি। য়েন্দ্রেম্বম সুরলতা পুরস্কারনা কঙলমদ্রিবা ঈফুৎ (ৱারীমচা) গী অইবী হাওবম নলিনি, কাঞ্চিপুরদা পীরগনি। চীংখু মোইরাংলৈমা নীংশিং কবিদাস মনানা ‘লান খামলে ইমানা (শৈরেং) লাইরিক্কী অইবী আর কে সনাহনবী (লীক-খোম্বী) চনু, লুৱাংশঙবমদা পীরগনি। মণিপুরগী মপান্দা খুন্দা লৈতাদুনা লৈখ্রবা মণিপুরগী অইবা/অইবীদা পীবা মনা ‘ক্ষেত্রি ওংবী নলিনি সাহিত্য মনা’ না ৱাংমগী তোর্ব্বান দুদা (শৈরেং) লাইরিক্কী অইবা অবদুল হমিদ, সিঙ্গরবোন, কছার, অসামদা পীরগনি। ক্ষেত্রি চাউবা ত্রান্সলেসন এৱার্দনা অঙৌবা কৈ (অর্বিন্দ অরিঘানা ইংলিসতা ইবা হ্বাইট টাইগরদগী মণিপুরীদা হন্দোকপা) লাইরিক অসিগী হন্দোকলোই সলাম তোম্বা, তৌবুল, বিষ্ণুপুরদা পীরগনি।

সাহিত্য সেবা সম্মিটিগী চহীগী ওইবা চেফোঙ ‘চুমথাংদা’ য়াওরগদবা শৈরেং, ৱারেং অমসুং ৱারীমচাদা খ্বাইদগী ফজবা খনগৎলগা পীগদবা ‘চন্দ্রশখি লাইশ্রম চুমথাং সাহিত্য মনা’ না শিরোই লিলি, মণিপুর ইমাগী নাইতোম পোকচবী মমোমলোই (ৱারেং) গী অইবা নাওরেম মুনাল মৈতৈ, ককচীং, থৱায়না লৈ ওইনা শাৎলি লমদমসিদা (শৈরেং) গী অইবা ইনাওবী হুইরেম, কোংবা ষ্টেন্দর্দ কোলেজ রোদ, নহারুপ হুইরেম লৈকায়, ইম্ফাল অমসুং হেনৌ অচার (ৱারীমচা) গী অইবী রাশেশ্বরি য়েংখোম, ককচীং (হৌজিক্ল। শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক, ইম্ফালদা লৈবী) দা পীরগনি।

মনা ফংলগদবা অইবা/অইবী খুদিংমক্লা সাহিত্য সেবা সম্মিটিদা থা অসিগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা পাউ ফাওবীয়ু। লোয়ননা মনা য়েম্থোকপগী থৌরমদা মথং চহী কুমজা ২০২১গী জন্যুৱারী ১৫ সাহিত্য সেবা সম্মিটিগী মপোক নুমিৎ থৌরমদা লান্থোক্কনি হায়রি।

## প্রিয়োকুমারনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮ (ঐচএনএস): ওল জিরিবাম ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (এ জে দব্লিয়ু জে য়ু) গী এদভাইজরগী ফমসু পুরম্বা জিরিবাম কালিনগরদগী মৈনম প্রিয়োকুমারনা ঙরাং অহিং ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা এ জে দব্লিয়ু জে য়ুনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা ঙসি অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা এম প্রিয়োকুমার জিরিবামদা ঙল্লিঙৈ মতমগী পাউচেগী লম্দা অচঙবা জিরিবাম মচানি হায়রদুনা মহাক্লা লৈখিদবদা এ জে দব্লিয়ু জে য়ুনা ইমুং মনুং অমদি শাগৈ নাতৈনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়াজরি অমদি মহাক্কী থৱায়না ঈংনা চিক্লা লৈবা ওইরসনু হায়নসু থৌনিখি।

অমরোমদা রেদ ক্রোস সোসাইটি জিরিবাম ব্রাঞ্চকী জেনরেল সেক্রেটরি ঐচ রাজেনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরকপদা রেদ ক্রোস সোসাইটি জিরিবাম ব্রাঞ্চকী ত্রেজররগী থৌ পুরম্বা মৈনম প্রিয়োকুমারনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা সোসাইটি অসিনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

ইমোইনু ইভগ্রীন সোসাইটি/ঈ এম এ ইমোইনু প্রাইভেট লিমিটেদ জিরিবাম ব্রাঞ্চকী লিদর মৈনম ওংবী প্রতিমাগী মপুরোয়বা মাইনম প্রিয়োকুমারনা ঙরাং সিলচর মেদিকেল হোস্পিটালদা লৈখিদবদা সোসাইটিগী মায়কৈদগী অৱাবা অমদি নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি অমসুং ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়রি।

## খূৎ থারক্লবা হোৎনরকখিবা লাইবক থীবনি : নিংঙোল ক্লব

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮ (ঐচএনএস): পেসেঞ্জর পুরিবা গাড়ীশিংদা মাস্ক উপ্পবা, দিষ্টেন্সিং লৈহন্দুনা এস ও পি ঙাক্লবা হায়রুবদা খূৎ থারক্লবা হোৎনখিবা অসি লাইবক থীবনি হায়না নিংঙোল ক্লবকী প্রসিদেন্ট সোফিয়া খুন্দোংবমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মী শিবগী চাং ঈশিং ঈচাওগুম হেনগৎলকপগা লোয়ননা পোজিটিভ ওইরবা অনাবা কয়া শিবগী চাংসু হেল্লক্লিবা অসি থিংননবা লৈঙাক্লা লোকল লেভেলদা কোভিদ থেংননবা লোকল কোভিদ কম্মিটি ফাওবা শেম্নবা খঙহল্লকখিবা লৈখ্রে। অসিগুম্বা থৌরাং অসিগী মতুং ইন্না নিংঙোল ক্লবসু কাদাগী মীৎয়েং মখাদা কোভিদ মায়থীবা পীনবা অঙম্বা থাক্তা লৈঙাক্লা লৌখৎপীরিবা থবক থৌরম কয়া অসিদা মতেং পাংজবা ওইনা মীয়ামদা এৱ্যের্নেস পীদুনা মাস্ক অমদি সেনিটাইজর ফাউবা য়েন্থোক্তুনা লাকপগী মনুং চন্না ক্লব অসিগী থৌমীশিংনা হৈরোক্তা পেসেঞ্জর পুদুনা চেল্লিবা গাড়ীশিংনা লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পি অমত্তা ঙাক্তনা মনীং তম্না চেল্লিবা পেসেঞ্জর গাড়ীশিং অসিদগী কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি শন্দোরক্লবা অচৌবা মরম অমা ওইরকপা য়াই খঞ্জদুনা পেসেঞ্জর পুরিবা গাড়ীশিং মরু ওইনা ওটোশিংদা লৈঙাক্কী এস ও পি ঙাক্লবা হায়রুবদা নিংঙোল ক্লবকী থৌমীশিংদা খূৎ থানবা হোৎনরকখিবা অসি অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়রি।

লায়না লাইচৎ অসি থিংনবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমক্কী থৌদাং চাউনা লৈরিবনি। করিগুম্বা পেসেঞ্জরশিংগী মরক্তা কোভিদ পোজিটিভ ওইবা য়াওরল্লবদি মদুনা পীগদৌরিবা অৱাবা অদু ঐখোয় পুন্না খঙমিন্নসি। লৈঙাক খক্তনা কোভিদ থেংনবা ঙমগদবা নত্তে, মীয়াম পুম্নমক্কসু ৱাখল তাবা য়াম্না মথৌ তারি। পুলিসকী মায়কৈদগীসু মাস্ক উপহন্নবা, দিষ্টেন্সিং ঙাক্লবা, মী পুন্দনবা চৈ পায়রগা কোয়তান তান্দুনা অদুম শেন্নদুনা লৈবসু ঙমগদবদি নত্তে। লৈঙাক্লা এস ও পি খক্তা শেম্লগা মসিবু ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা থবক পায়খৎপীদ্রবদি মদুগী কান্নবা লৈরোই। মরম অদুনা মরী লৈনবা ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট, লো ইনফোর্সিং এজেন্সি, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি চীফ মিনিষ্টরনসু অকনবা মীৎয়েং চঙবীদুনা মসিবু থিংবীনবা থবক পায়খৎপীয়ু হায়রি।

## ফোরেষ্ট ষ্টাফশিংদা নোংমৈ কাপ্তুনা হাৎনবা হোৎনরকপগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮ (ঐচএনএস): চহী অসিগী নবেম্বর ২৯দা চনম সন্দ্রোকতা লৈবা ৱাইথৌ প্রোটেক্টেদ ফোরেষ্টকী য়াইরিপোক ব্লোককী কম্পার্টমেন্ট নম্বর-৮ দা উ য়াল্লি হায়বগীদমক মদুবু থিংনবা চৎলুবা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মথৌ তৌবা লাকচরিবা ষ্টাফশিংদা মফম অদুগী মীওইশিংনা হাৎলগে মতাগুম নোংমৈ কাপ্তুনা অকি-অখং থোকহল্লকপগী মায়োক্তা থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা তোঙান তোঙানবা ফোরেষ্ট ওফিসশিংগী কমপ্লেক্সতা ৱাকৎ মীফমশিং চথখ্রে।

চথখিবা ৱাকৎ মীফম অদু থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী ককচিং রেঞ্জগী ওফিস কমপ্লেক্স অমদি থৌবাল রেঞ্জ ওফিস কমপ্লেক্সতা ষ্টাফশিংনা অমসুং রেঞ্জ অনীসিগী মখাদা লৈবা বীট ওফিস ৮গী ষ্টাফশিংনা মাগী মাগী ওফিস কমপ্লেক্সতসু তোঙান তোঙানবা প্লেকার্দশিং শীজিন্নদুনা ৱাকৎ মীফমশিং চথখি অমদি ৱাকৎ মীফমশিং অদুদা থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী মখাদা লৈরিবা জোইন্ট ফোরেষ্ট মেনেজমেন্ট কম্মিটি (জে এফ এম সি) ৩৮গী মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

ফোরেষ্ট ষ্টাফশিংনা শীন দুনা চথখিবা ৱাকৎ মীফম অদুবু শৌগৎলদুনা ৱাইল্ডলাইফ অমদি বাইওদাইভর্সিটিগা মরী লৈনবা ওর্গনাইজেশনশিং দব্লিয়ু বি সি সি মণিপুর, য়ু দব্লিয়ু এল পি সি, পীপল্’স ফোর নেচর অমসুং য়েনিং ফাওবে দসনগী অপূনবা বোদি অমা ওইরিবা জোইন্ট কম্মিটি ওন ৱাইল্ডলাইফ অমসুং বাইওদাইভর্সিটি (জে সি সি দব্লিয়ু বি) মণিপুরগী অপূনবা মেম্বর ৬০ রোমনসু ঙরাংগী ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াবা লাকখিবা ৱাইল্ডলাইফ এন্দ বাইওদাইভর্সিটি কঞ্জর্ভেশন কম্মিটি (দব্লিয়ু বি সি সি) মণিপুরগী প্রসিদেন্ট রবি তখেল্লম্বমনা ফোঙদোকপদা থৌদোক থোকখিবা নুমিৎ অদুমক্তদা পুলিসনা কেস অমসু লৌখৎখ্রে হায়রগা করিগীদমক থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং ঙসি ফাওবা ফাগৎপা ঙমদ্রিবনো অমদি নুমিৎ অদুদা হাৎলগে মতাগুম কাপথোরকখিবা নোংমৈ অদু মরী লৈনবশিংনা হৌজি কফাওবা ফাদবগী মরম করিগীনো হায়না হংলদুনা ইকায় খুম্নরিবা লৈঙাক অসিগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা উমংশিং য়োকখৎনবা ৱাফম কয়ামরুম ফোঙদোকপসু লৈখ্রে অদুগা উমং কন্নবা চঙলুবা লৈঙাক অসিগী দিপার্টমেন্ট অমদা নোংমৈ কাপ্লক্লফাওবা ৱা হায়বীদনা তূমীন্না লৈশিনবা অসি দব্লিয়ু বি সি সিনা নুংঙাইজদে হায়রদুনা নুমিৎ অদুগী থৌওং অদু উমংবু য়োকখৎপা পামদবা খূদিংমক্লা চথরকপনি হায়না লৌজে হায়না রবি তখেল্লম্বমনা মখা তাখি।

পল্লেল ফোরেষ্ট বীট ওফিসকী বীট ওফিসর এমদি সলাউদ্দিননা ফোঙদোরকপদা মণিপুরগী সি এম এন বিরেননা মহৌশাগী কায়থরক্লিবা খল অসিদগী কলহৌনবা *গো গ্রীন মিশন* মণিপুর হৌদোক্তুনা থবক কয়া অমা পায়খৎলিঙৈ মতম অসিদা ৱাইথৌ প্রোটেক্টেদ ফোরেষ্টকী য়াইরিপোক ব্লোককী কম্পার্টমেন্ট নম্বর-৮দা মীওই খরনা উ য়ান্থৎলে হায়বা পাউ ফংবদগী মদুবু থিংনবা চৎলুবা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মথৌ তৌবা চঙশিল্লুবা ষ্টাফশিংদা মফম অদুদা লৈরম্বা মীওই খরনা নোংমৈ কাপ্তুনা ষ্টাফশিংবু অকি-অখং নংহন্দুনা হাৎনবা হোৎনরকখিবা থৌওং অদু হকচিন্না লৌই। থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওই খূদিংমক ফাগৎতুনা মরালগী মতুং ইন্না চৈরাক পীবিয়ু। মরাল লৈবা খূদিংমক লোগী ওইবা চৈরাক ফংহল্লু হায়না ফোঙদোকখি।

ৱাকৎ মীফমশিং অদুদা ‘পনিশ দি কলপ্রিট’, ‘হেল্প অজ এনফোর্স লো’, ‘ফোরেষ্ট ইজ ৱাটর’, ফোরেষ্ট ইজ লাইফ’ অমসুং ‘গন্স আর টু থ্রেটন ষ্টাফ’ হায়না থাবা প্লেকার্দশিংসু শীজিন্নখি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাল্লি



**ৱাংখৈরাকপম মাইপাক, নোংমৈবুং পুং মখোং**

লৌরোক পান্থা লোয়খ্রে পাকচাওরবা লৌবুক লমহাং অয়াম্বা করিগুম্বা পোৎথোক অমত্তা পুথোক্তুনা শঞ্জাবুং ওইনা থল্লি। মসি লমদম অসিদা লৈরিবা ঐখোয় পুম্নমক্কী অচৌবা মাঙজবা অমনি। ঙসিগী পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা কুপ্পা য়েংশিনবিবা চঙই। লোয়ননা মীয়ামগীদমক এ সীশিংগী লুচিংবা ওইরিবা এম এল এশিংনসু মরি লৈনবা মিনিষ্টরশিং অমদি দিপার্টমেন্টশিংগা খুৎশম্নরগা হাঙদুনা লৈরিবা লৌবুক-লমহাংশিং অসি মহৈ-মরোংগী পোৎথোক পুথোক্লবা অকনবা মীৎয়েং চঙবিয়ু। নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা চাননবা পোৎলমশিং মীরমদগী অতাংবা মমলদা কেমিকেল য়াওরবা চাবদসু হকচাং শোক্লিংঙাই ওইরবা পোৎলমশিং য়ারিবমখৈ শিজিন্নদনবা মীয়াম্নসু হোৎনফম থোকই। ষ্টেট অসিগী অয়াম্বা হাঙদুনা লৈরিবা লৌবুকশিং অসিদা মনা-মশিং কয়া থাবা য়ানবগীমক লৈঙাক্লা অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা মতিকচাবা ইথৈ-লৌখোং শেম্বিয়ু। লৌরোক পান্থা লোয়রগা লৌবুক লমহাংশিং অদুমক হাংদুনা লৈরিবা অসি ইথৈ-লৌখোং মতিক চানা লৈতবদগী লৈরিবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা ইকাইখুম্নজরিবা চীফ মিনিষ্টরগী পুক্লিং চিংশিঞ্জরি।



**নিংথৌজম তোমজেমস, লম্বাল অৱাং লৈকায়**

কোভিদ-১৯ কিনরক্ত্রিবা অসি লৈবাক মীয়াম খম থেংনা ৱানরকপনসু অচৌবা মরম অমা শোয়দনা ওইরম্বা য়াই হায়না খল্লি। লায়না-লাইচৎ অসি মীয়াম্না কিনরক্তবা মরম্না লাইচৎ অসি শন্দোরকপগী চাং হন্থরে অমদি পোজিটিভ ওইদুনা মী শিবগী চাং হন্থরে হায়বসু নত্তবনিনা লৈবাক মীয়াম্না হিংনবগীদমক তঙাইফদনা থবক শুবা-নোম্বা তৌবিরবসু লায়চৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা হায়দুনা লৈঙাক্লা শেম্লিবা কোভিদ-১৯গী চৎন-কাংলোনশিং ঙাক্লা চৎমিন্নবা হৌজিকসু তঙাইফদ্রি। লাইচৎ অসিনা নাবা অমদি শিরিবা মীওই অয়াম্বনা অহল ওইরবা মীওইশিংগী মীশিংনা হেনবা মরম্না অহল ওইরবা চহী য়াম্লবা মীওইশিংনা য়াম্না চেকশিন্না লৈবা মথৌ তাই। লোয়ননা অহল ওইরবা মীওইশিংদি য়ুমদগী কয়া মপান থোক্লদে অদুবু থবক শুবা-নোম্বা অমদি ওফিসকী থবক চৎলিবা মচা-মশু ওইবশিংনা য়াম্না চেকশিন্না য়ুমদা লৈবা মথৌ তাই হায়না খল্লি। মরমদি মরাল লৈজদ্রবা অহলশিং অদু নহা ওইরিবা মীওইশিংদা লাইচৎ অসি শন্দোপীরবদি লাইবক থিবা থৌদোক অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। লাইচৎ অসিনা লৈবাক মীয়াম খম থেংনা ৱানবা মরম্না লৈঙাক্লা হৌজিক পোৎচৈগী মমল তাঙনা য়োল্লিবা অসি কন্ট্রোল তৌবিদুনা চান্নবা মমলদা ফংহনবিরবদি অফবা ওইগনি।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৯।১২।২০২০ইং, য়ুমশকৈশা; নুংথিল পুং ৩.১৮ ফাওবা হিয়াঙ্গৈগী ২৪নি পাল্লি মতুং ২৪ নি পানগনি।



**মেষ :** মীংচৎ ফংজগনি, মরুপ মপাংগা লোয়ননা অমদি অনীংবা ৱাখল্লোন্না পাংবা থবক খুদিং লেম্নমক মায় পাক্কনি। অদুবু হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপদি লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱাখল নুংঙাইগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।



**বৃষ :** চিংনবা পোকপা অমদি হুরানবনা কিহনবা লৈ। অদুবু অচুম্বা চৎলু, থৌনা হনগনু অমদি ইমুংগী ৱা তাবনা অপানবা লন তানগনি। অফা-অপুনদি লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফরনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।



**মিথুন :** থেংলপ্পা মায় পাকচগনি, নাইতোম থৌ পাংগনু অমদি নিংহন্নগনু। মীনা ইনশিনবা লৌরবদি চাদিং হেনগনি অমদি লম চৎপদা হুরানবনা তাথিগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - থেংলপ্পা পূক্লিং নুংঙাইগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।



**কর্কট :** হকচাং নুংঙাইজরে, কান্নবসু য়াম্না ফংজগনি অমদি য়েক্লববু লাকশিনবা ঙল্লগনি। নচা ননাইগী লম্দা চাদিং তৌবা অমদি নোল্লুকপনা য়াইফগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি মরী ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।



**সিংহ :** অরং অরাক, লন অমদি ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইবা নুমিৎনি। ঙাঙ-শকপা হৈবনা মীয়াম শুম্বা ঙমগনি। অশাওবগী কান্নবা লৈতে, মরুপ কাইনগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মীংচৎ ফংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।



**কন্যা :** হরাওবা, ৱাখল থোকপা অমদি মীচং লৈবা নুমিৎনি। হকচাংসু খিংগনি, অফবা থবক পাংগনি অমদি মীয়াম্না তেংবাঙবিগনি। ননাইদি মাঙগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - পূক্লিং পেন্না নুংঙাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।



**তুলা :** অকিবা অমদি থৱায় মাঙবা য়াবা তানফম লৈ-পংথগনু। তপথবনা য়াইফগনি। মীয়াম লোয়নবা অমদি মখোয়না য়াবা থবক পাংবদি লেম্নমক মায় পাক্কনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চানবী।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।



**বৃশ্চিক :** পন্দুনা লৈরুবা থবক্কী লম্দা কোক শাবা অমদি হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা লৈ। অদুবু নথক থোংবনা হায়বা তারবদি শেল-থুমগী লম্দা মায় পাক্লনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি মরী ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।



**ধনু :** থাজদনা খাংবা কন্দবা অমদি য়েৎনবনা মরলদা মীনু চংনবগী মরম ওই। খন্থরগা পাংলদি থৌ পাংগনি অমদি মীংচৎ ফংদুনা নুংঙাইজবা ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মুক্লবা থাদোকউ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।



**মকর :** অঙনবদদি লৌশিং থোক্তবা, নচা ননাইগী লম্দা চিংনবা অমদি হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা লৈগনি। থেংথরক্লদি নুংঙাইবা ওইগনি, মীনা লাকচবা ঙমলোই।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মমৈদা ৱাখল নুংঙাইগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং।



**কুম্বা :** লাই-গুরুনা শোয়দনা চানবীরনি অমদি হনবা লৈতনা হোৎনবনা পাংঙমদবা থবক পাংগনি। ইমুং মনুংগী ৱা লূম্না লৌবা ফগনি অদুবু অশাওবদি থাদোকউ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মরুপকী মতেং ফংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং।



**মিন :** নীংজবা থুংবা ঙসিসু লৈ। লল্লোন ইতিক্তা চাওনা শেনদাং ফংগনি অমদি থেংলপ্পা লন চংগনি। অশাওবনা মাঙহনবা অমদি নাপলনা মীপায়হনবদি লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।